# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-12-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৬-১২-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ**

১) ককচিং জিলাদা ঙরাং মশক খঙদবশিংনা নন-মণিপুরি অনি হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। পৱর মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনসু থৌওং অদুবু য়ামা কন্না নিন্দা তৌখ্রে।

২) মণিপুরগী চিং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওপরেসন চৎথবা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তনা চৎথরি।

**অমসুং**

৩) লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসিদগী বিজয় দিবস পালন পাঙথোক্লগনি।

**সিএম(এল)ঃ** ককচিং জিলাদা ঙরাং মশক খঙদবশিংনা নন-মণিপুরি অনি হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অসিগুম্বা থৌওং অসি টেরোরিজমগী থৌওংনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোক্লকপা হায়বসি ঐখোয়গী রাজ্য অসিবু মিংচৎ থিহন্নবা লৌতুনবগী থৌওং মানবা থবক অমনি। মীয়ামদা অকিবা পোকহন্নবা তৌবা থৌরাং কৈদৌঙৈদা মাই পাক্লোই। লৈখিদ্রবা মীওই অনি অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা লুপা লাখ ১০-১০গী ক্ষেতি পুরোন পীরগনি। অরানবা তৌরম্লিবা মীওইশিং অথুবদা ফাগৎনবা হোৎনগনি। দরকার লৈরবদি কেস অসি এন.আই.এবু থিগৎহনগনি।

অমরোমদা, রাজ্যগী পৱর মন্ত্রি থোঙাম বিস্বজিৎনসু থৌওং অসিবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়-অসিগুম্বা থৌওং অসিনা রাজ্য অসিগী শান্তি অমসুং অপুনবগী শক্তমদা তশেংনা শিংনরকপা অমনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা অসিগুম্বা টেরোরিজমগী মাইয়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নবা তঙাই ফদে। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রদুনা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং আইনগী মতুং ইন্না অকনবা থবক পায়খৎকনি হায়রি।

**পুলিস (এল) ঃ** মণিপুরগী চিং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ওপরেসন চৎথবা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চৎথরি। কাংপোকপী জিলাগী এল জাংনোংফাই অমদি ফ্রীদম হীলদা চথখিবা ওপরেসনদা ৭.৬২গী রাইফল অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, পোম্পী গন অমা, হেন্দ গ্রেনেট মরি, পোখায়বা য়াবা মচাকশিং, দিতোনেতর মরি, নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অমদি অতে খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে। নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা পোৎ পুবা গারি ৩৭৪ ইম্ফাল তমা পুথোরকখ্রে।

**লাইব্রেরী (এল)ঃ** নুমিৎ তরানি চথুগদবা ৩১ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার ঙরাংদগী ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী কেম্পসতা হৌখ্রে।

থা অসিগী ২৪ ফাওবা চথুগদবা বুক ফেয়ার অসি ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ইম্ফাল অমসুং রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী টুয়েল্ব দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরীজনা রাজা রামমোহোন রোই লাইব্রেরী ফাউন্দেসন কোলকাতাগা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি।

ইম্ফাল বুক ফেয়ার বুক পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, রাজ্য অসিদা লাইব্রেরীগী ইহৌ শাগৎপা, লাইরিক হেন্না পুথোকবা, লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈহন্নবনি।

থৌরম অদুদা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী কম্মিসনার এম. জোয়, লেঙ্গুএজ, প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনগী দিরেক্তর এল. রাধাকান্টসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াই ইম্ফাল বুক ফেয়ার অসি ইং কুমজা ১৯৯১ দগী হৌদোকখিবনি। অদুমওইনমক, ১৯৯২, ২০২০ অমসুং ২০২১ দদি বুক ফেয়ার অসি পাঙথোকখিদে। মেলা অসিদা লমদম অসিগী ওইবা বুক ফার্ম ২১ অমসুং অতৈ রাজ্যশিংদগী লাকপা বুক ফার্ম ১১ পুন্না ৩২ না শরুক য়ারি।

নুমিৎ ১০ নি চথুগদবা লাইরিক মেলাগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং, মায় পাক্লবা মীওইশিংগা উন্নবা, অইবশিংগা উন্নবা, অনৌবা লাইরিকশিং ফোংবা, কলেজকী মহৈরোইশিং, প্রিন্সিপালশিংগা উন্নবা, শান্ন-খোৎনবগী লমদা শকাইরবা মীওইশিংগা উন্নবা, অঙাংশিংগী ওইবা খুদক্তা লাই য়েকপা চাংদমবা, ক্যুইজ অমসুং এক্স-তেমপোর স্পিস পাঙথোক্কনি। মেলা মনুংদা লাইরিক লৈবদা চাদা ১৫ দিসকাউন্ট পীগনি।

**রিমস (এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস রিমস ইম্ফালগী নৌনা শাবা ফমুং ১৫০ লৈবা অন্দর গ্রেজুয়েট গার্লস হোষ্টেল ঙরাং রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিলকুমার শর্ম্মনা শঙ্গাখ্রে।

ফমুং ৭৭০ লৈবা হোস্পিতাল য়াওনা রেসিদেন্সিয়েল অমদি হোষ্টেলগী খুদোংচাবশিং পীনবা তোঙান তোঙানবা বিল্ডিংশিং লাক্লিবা চহি ৮ গী মনুংদা শানবা থৌরাং তৌরি হায়না দাইরেক্তর শুনিলকুমার শর্ম্মনা শঙ্গাবগী থৌরমগা মরা লৈননা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- নৌনা শঙ্গারিবা হোষ্টেল অসিদা মহৈরোইশিং হোংজিল্লবা মতুং লেদিজ হোষ্টেল-ৰান অমদি টু শিদোক্লগনি। অতোপ্পা হোষ্টেলশিং য়াওনা রেসিদেন্সিয়েল কমপ্লেক্স অমদি স্পোর্টস অমসুং রিক্রেসনেল এমিনিতিশিং শেমগৎপগী প্রোজেক্ট কয়াসু পায়খৎপগী প্লান তৌরি হায়খি।

**দিবস ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি বিজয় দিবস পালন পাঙথোক্নি। থৌরম অসি মণিপুরদসু রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী

বক্কেট হোলদা পাঙথোক্কনি। মদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমসুং পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহ শরুক য়াগনি।

ইং ১৯৭১ গী ভারত-পাকিস্তান লানদা মায় পাকখিববু নিংশিংদুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**ম্যুজিকঃ** গ্বালিয়রদা পাঙথোকপা ১০০রক শুবা তানশেন ম্যুজিক ফেষ্টিভেলদা, আর্তিস ৫৩৬ না তোঙান তোঙানবা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট ৯ খোঙদুনা গিনিস ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে। মধ্যা প্রদেশকী কলচরেল দিপার্টমেন্টনা শিনবা থৌরম অদুদা ভারতকী মফম কয়াদগী লাকখিবা নুপা অমদি নুপী আর্তিসশিংনা শরুক য়াখি । মধ্যা প্রদেশকী চিফ মিণিষ্টর ডা.মোহন য়াদব, কেন্দ্রগী কম্ম্যুনিকেসন মিনিষ্টর জ্যোতির অদিত্যা সিন্দিয়া অমদি স্পিকর নরেন্দ্র সিংহ তোমারনা শরুক য়াখি।

**সংসদঃ** লৈবাক অমা, মীখল অমগা মরী লৈনবা বিল অনি লোক সভাদা ঙসি পুথোক্লগনি।

কেন্দ্রগী আইন মন্ত্রি-আরজন্ রাম মেঘাৱালনা-সংবিধানগী ১২৯ শুবা এমেন্দেমন্টে বিল অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিজ লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল লোক সভাদা পুথোক্কনি।

লৈবাক অমা, মীখল অমগা মরী লৈননা শেমখিবা অৱাংবা থাক্কী কমিতিগী প্রস্তাব সরকারনা অয়াবা পীখিবনি। মসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা মীখল অমুক্তদা পাঙথোকবগী লম্বী য়াৎলে।

হান্নগী রাস্ত্রপতি-রামনাথ কোবিন্দনা সভাপতি ওইবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অদুনা ষ্টেকহোল্ডরশিং, রাজনিতি দলশিং অমদি অখণ্ড অহৈশিংগী মোত লৌখিবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা মীখল তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি। অহানবা তাঙ্কক্তা লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোক্কনি। অদুগা, পঞ্চায়ট অমসুং ম্যুনিসিপালিতিগী মীখলশিংনা সধারনগী মীখল পাঙথোকখিবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পাঙথোক্কনি।

**মহারাষ্ট্রঃ** মহারাষ্ট্রগী নৌনা শেমখিবা বি.জে.পীনা লূচিংবা মহায়ুতিনা সরকারদা মিণিষ্টর ৩৯ হাপচিনখ্রে। ঙরাং নাগপুরদা নৌনা খল্লবা কেবিনেট মিনিষ্টর ৩৩ অমদি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ৬ গভর্ণর সী.পী রধাকৃষ্ণননা ওথ ওফ ওফিস এদমিষ্টর তৌখি । চিফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফটনবিস দিপ্যুতি এগনাথ সিন্দে অমদি অজিট পৱরসু ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। নৌনা খনগৎলবা মিণিষ্টরশিংগী মনুংদা বি.জে.পীগী কেবিনেট মিণিষ্টর ১৬ অমদি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ৩ য়াওরি। সিব সেনাগী কেবিনেট মিণিষ্টর ৯ অমদি মিণিষ্টর ওফ ষ্টেট ২, লোয়ননা নেসনেল কংগ্রেস পার্তিগী কেবিনেট মিণিষ্টর ৮ অমদি মিণিষ্টর ওফ ষ্টেট ১ নি।

মহারাষ্ট্র সরকারদা নুপী কেবিনেট মিণিষ্টর ৪ য়াওরি । মখোয়শিং অদুদি বি.জে.পিগী পনকাজা মুন্দে, মধুরি মিশল, মেগনা বোর্দিকার, অমদি নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্তিগী অদিতি তাকরে নি।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা অমিত সাহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম, কাপ্পুনা হাৎলল্লবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অনিগী মতাংদা মণিপুর অমদি বিহারগী চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম, রিমসতা গর্লস হোস্তেল শঙ্গাখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

পোকফমদা-মণিপুরগী ইরাং টেরোরিজম নত্রগা ধর্মগা মরি লৈনদে, ফুরুপ অনিগী মরক্তনি। সী এম শিন্দোকপদা রিস্ক লাক্কদবদু খন্থদবা য়াদে হায়বা অমিত সাহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোঙলি।

মণিপুর নিউজতা-কাপ্পুনা হাৎলল্লবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অনি লূপা লাখ ১০-

১০গী এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না সী.এমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগী মখাদা-মীহাৎ অসি মথৌ তারদি এন.আই.এদা শিন্নদুনা থিগৎহনগনি: সী এম বিরেন। বিহারগী সী.এমনা নুঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে, এক্স গ্রেসিয়া লাডথোকখ্রে হায়না সব-হেদলাইনদা তৌরি।

জিরিবামদা শাবা লোইদ্রিবা ৱাতর সপ্লাই স্কিম বোম পোখাইহন্দুনা থুগাইরল্লে, নুমিৎ ৮নিগী মনুংদা বোম পোখাইবগী থৌদোক ৬ লক শুরে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোঙলি।

অরোং খুনৌদা কেন্সরগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না দ মোর্নিং বেলদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা-হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা মণিপুরগী ইরাং লোইশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

৩১ রক শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়র হৌদোকখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পুলিসনা খুল ঙাকপা হাৎপা, ফাবগী মায়োক্তা থৌবালদা মীয়াম হৌরকখ্রে, ফাজিনখিবা খুল ঙাকপা থাদোকপগী মহুৎতা পুলিস কস্তদিদা রিমান্দ লৌখ্রে হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোঙলি।

সর্চ ওপরেসনদা মণিপুর পুলিসনা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎখ্রে-হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা ফোঙলি।

লম্বী শেন্বীদবগী খোইশাওনরবা মীয়ামা ময়াই লম্বী তৌখাইখ্রে, চেন্নবা মী

মরি ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা ইচেল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোংদা শিনমীশিংগী বিল পীথোক্তবগী মায়োক্তা কৌখিবা ব্লোকেদ হাংদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা নহারোল থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা মণিপুর সাইন্স কংগ্রেস পাঙথোকখিবগী পাউ অমা মণিপুর মেলদা ফোঙলি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা-মণিপুরগী এম.পিনা লোক সভাদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম: মণিপুরসিবু ইন্দিয়াগী শরুক ওইদ্রব্রা-হায়বা পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি ।

মণিপুর পুলিসনা ভিলেজ ভোলন্তিয়র অমা হাপ্লে লোয়ননা ৬ অমনা ফাজিনখ্রে হায়বগী ইহৌদা থৌবালদা মীয়ামা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।